# পিছ টোক : মীয়ামগী পূক্লিং ওন্থোক্লা লৈতাহনখিদ্রেদকো

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ইরায় লায়বা ৱাফম ওইবা য়াই, হায়দোকপা য়াদে হায়রবদি য়াম্না খঙনীংই। হায়দোক হন্নিংবনা খ্রো খ্রো খোৎপীজাৎনি। হদক মদুমক থোকই মণিপুরদা, হায়দোকপা য়াদবা নাকল অনীগী শন্তাইনবনা মীয়ামগী পূক্লিং হায়নীংঙাই লৈতনা মিপাইহল্লে। মিপাইফমসু থোকপনি, মাঙজবতনা ইশরুক ওইরক্লবা মণিপুর মীয়াম্নি। মণিপুর মীয়ামগী পূক্লিং লৈতারক্ত্রিবসি কুইরে ঙসি ঙরাংখক্কী নৎত্রে। চহী কুন হেল্লক্লে। এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক অনীগী মরক্তা ৱারী শানরক্লিবসি। শান্তিগী ৱারীনি হায়জবৈ ৱানি, কৈনোমা ইতৌ তৌই। হৌজ হৌজ কয়ানি মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা মচিন তুমফাওবা তানা চক চক থিনবদৌনা তৌরক্লিবসি। খুদক্তা হাত্তোকপীবসু নত্তবা মতেক মতেক অসুম চৈনা ফাওহনবদুনি। চত্থরক্লিবা থৌওং থৌদৌ অসিদা থায়না য়েংখিবা শুমাঙ লীলা অমা নীংশিলকই, পুকফত্তবা অমগী শক্তম লাংলিবা নুপাদুনা লাউবদো, নোংমনা মখোঙ কক নোংমনা মখুৎ কক শিঙম নাঙমদনা হাৎকেদো। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মওংসিদদি মণিপুর ইমাসে হায়রিবা মওংদুদা হাত্তোকপিখিদ্রা হায়বগী মিপাইরক্লে। ইমানা কনাদা করিসু লাঞ্জরুবসু নত্তবদা অসুক য়াম্না মীশৌ চঙবিরিবসিবু করিগীনো খঙদে।অসুম য়াম্না নীংথিজরিবা, নুংশিখ্রবা মেপকী শকওং শক্তম অসিবু তোর্বোৎ, মাইরেন, তর্বুজ, কিহোম্নচিংবা ওইনা উরবজাৎলা মশুং মশুং তাহন্দৌরে হায়বগী পাউনিলখোন্না লমদমসিগী মীয়াম্বু খংপ্রেক খংপ্রেক খংহল্লিবসিবো। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা তৎন-থানবা য়াররোইদবা নুংশি চান্নবগী মরী অসি তৎখ্রদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফাওহল্লিবা করিগীনো? মতাং অসি য়ৌশিল্লক্লবদি হায়নীংলকই, লাই ওইসনু, মতিক ময়াই ফনা য়াম্না লৈবা কনা ওইসনু ইমা মণিপুরগী হকচাংদগী তুবুম অমা ফাওবা কেলহনখিবা য়ারোই, মদুগীদমক থেংননবা মপারী মমোম ৱাত্তে। শীংনরকপা খুদিংমক মায়োক্লুরসি হায়বদা কনাসু মাই হায়রক্লোই। তৌবতবু লিংজেন মান্নবা, থৌনা লৈবা, নীংহন্নদবনা ঐখোয়গী পাঙ্গল ওইগদৌরিবনি হায়বসিমদি মতম পুন্নমক্তা নীংশিংফম থোকই হায়না খঞ্জে। মথক্তা পঞ্জখিবা নাকল অনীগী ৱারীদু ৱারোইশিন পুরক্লনি হায়বসিমদি কক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। লুরিবদি কমদৌননো হায়দোকপিদবসিনি। মণিপুর মীয়াম্বু নীংবা কায়হল্লোই, অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ থুগায়রোই হায়। মদু হায়দুনসু মীয়াম্না য়াদে, থাজদে। মরম লৈফম থোক্তব্রা? ঐখোয়দা করিসু শোক্তবা ৱাফমদো লোৎশিল্লগা মমল কাহল্লিবা হায়দুরা নৎত্রগা লক্লরিব্রা? মণিপুর মীয়ামদি থোকখিবা থৌদোকশিংদগী তমশিনবা য়াবা তমশিনখ্রে, খঙজিনবা য়াবসু খঙজিল্লে। মদুননি থৌ শিৎপমখৈ, ৱাকৎ অমদি চেকশিন মীফম, খোঙচৎ, নৈন মীফম, মৈরা খোঙচৎনচিংবা মখল মথেল খোঙজং কয়া অহিং নুংথিল থিদখৈ চঙশিল্লক্লিবসি।

কনাগুম্বনা হায়নবসু য়াওই, পুৱারীগী লামায় হাইগত্তুনা য়েংলুবা নৈনরুবগী মথৌ তাদে, মাঙদা তারিবা ইস্যু অসিদা নৈনসি। মসি হায়দুনসু ঙসি ঐখোয়গী ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তমদা শীংনরক্লিবসি কমদৌননো, করিগীনো হায়বদুমদি খঙদবা, নৈনদবা য়ারোই। মতাংসিদনি, ঐখোয় পূন্নমক্লা হৌখিবা পুৱারীদা ওইখিবা ফীভম মরু ওইনা লৈঙাক্লোন, নাৎ, কলচর, লাইনীং লীচৎ, লম্মীৎ তুমীৎকী মরমদা খঙদবা শুংয়ামক য়ারক্ত্রিবসি। চীংলোন কয়ানা কোয়শিনবা, তম্পাক্কী শরুক্লা খুজিন মমায়মুক পাকপা লমদম অসিগী অপুনবা শক্তম শাগৎলকখিবা ইপা-ইপুশিংদো মৈতৈ ঙাক্তনি, তাংখুলখক্তনি, মরিংখক্তনি, কবুইখক্তনি, অনালখক্তনি, তরাউখক্তনি, পাঙলখক্তনি, কুকিখক্তনি হায়রুবা য়ারিব্রা? য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নদুনা লাকখিবা ঐখোয় পূন্নমক্কী ইপা ইপুশিংদুনা চহী লীশাং শীৎনা পাঙ্গল লৌশিং, হুমাং অমদি ঈ কত্তুনা শেমগৎলকখিবা ঐখোয়গী মণিপুরনি হায়বসি পুৱারীগী লামায়শিংদা ময়েক লানা ইরিবনি, লাইওইরবা নূংমায়শিংদা মুৎনাইদ্রবা ময়েকশিংনা হত্তুনা থম্বীরম্লবনি। চীংনা ঐগীনি তম্না নঙগীনি মাগীনি হায়রকপা তারবদি মণিপুর মীয়াম অমদি পুৱারীবু শীংনবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। ঐখোয় মশেল খাইবুং তাননবা শীংনরক্লিবশিংদো ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনমিন্নসি। ঐখোয়না লিংজেন মান্নখিদবা তাংকক খরা মমাঙথক্তা লৈখ্রে। মরু ওইনা লৈঙাক চুপ্লি পায়বশিংগী মরক্তা অমনা অমবু নমথনবা ঈ মশেল মুক্লবা লৌতুনবা, লান কয়াসু য়াম্না তোয়না থোকখ্রবনি। মদুগী মতুং তারকপা মহৈদি কান্ন ওইজবা অমত্তা ফংখিদে, মাঙজবখক্তনি। ঐখোয় খুদিংমক্কী কোক্তা চীনফা পুদুনা লৈরগদবা থৌদোকশিংনি, কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ তা অৱাগী খুত্তা তাদুনা চহী ৭ খুন্তাকখিবা, কুমজা ১৮৩৩ দা কবো তম্পাক ঐখোয়গী খুত্তগী মাঙখিনবগী মরূ হুনখিবা, কুমজা ১৮৯১ দা ইমা মণিপুরনা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী চৈনাখোল ফংলকখিবা থৌদোক কয়া খূৎশম্নদুনা মরী মরী লাকখিবনি। অদুগুম্বা তাংঙ্ককশিংদুদা মীতোপ মীরান্না খুদোং চাবা লৌদুনা ঐখোয়গী ঙমখৈদা তত্তনা শীংনরকপগা লোয়ননা ইমা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ তাননবা লেপ্তুনা লাকখিবা শাফু কয়াদো ঐখোয়না হঙ্গত্তুনা য়েংলরোই হায়বদি অরানবা ওইগনি। হৌখিবা অৱা নুংঙাই থৌদোক পূন্নমক মীওইবা ঐখোয়গীদি লৌশিং মৈরানি। মদুনা খুদম চাংদম ওইরগা অফ ফত্ত পূন্নমক খন্দোক খঞ্জিন তৌদুনা ঙসিগী পোরম পোমিৎ য়াত্তুনা তুংগী লম্বী শেল্লমগদৌরিবনি। মসিদবু ঐখোয়না পুৱারীগী চেনাশিংদো তাবুংনুংদা অদুম্মক নমশিন্দুনা থম্বা য়ারিব্রা ?

লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নদুনা লাক্লবা ফুরুপশিং মশা মশাগী ওইবা লোল লৈজরগসু মীতৈলোলনা ফাওনলোল ওইবা, অপুনবা লৈঙাক্লোন, মান্নবা লাইনীং লীচৎ, চাকচা য়ুথক্লচিংবনা মরম ওইরগা তোখাই তাবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদগী য়াম্না লাপ্না লৈরম্বনি। অওনবা অহোংবা হায়বসি মতমগী খোঙচৎত্তা লাক্কনু হায়বা য়ারোই। মদুমক ওইদুনসু নোংচুপ্লোমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা চহী ২০০ রোম মতম অমদা মালেমগী শোণ্ডনা লৈবা এসিয়া, অফ্রিকা, লেটিন অমেরিকানচিংবদা লৈবা মনীং তম্বা লৈবক ময়াম অমা লোই চনশিবগী খোঙজেল অদুক্কী মতিক য়াঙনা চেনখৎলকখিবনি। পোৎ খুদিংমক্কী অফ ফত্ত ময়াম অমা লৈ, কান্নবা খরসু অদুম্মক লৈখিদবদি নত্তে। মীয়াম্না খঙলমদবা কয়া খঙবা ঙমখি, দেমোক্রেসিগী মহাও তংজ হৌখি। অদুবু ইন্দিয়াদদি শাথিবা হুগী মশক ওইরবা তোখাই তাবা ৱাখল্লোনগী মরূ হুনবীরম্মী। মদুগী মহয়না নীংতম্বা ইন্দিয়া মচেৎ অনী থোকখ্রে। মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা চত্থরকপা নীংতম ঈহৌ নমথনবগীদমক অপুনবগী শক্তম থুগায়নবা থাখিবা য়াইনি। হৌজিক লমদমসিগী মীয়াম্না মিপাইনরিবসি য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ইমা মণিপুরগী নীংথিজরবা শক্লোন হোংখিদরা হায়বসিদনি। কনাগুম্বশিংনা হায়নবা য়াওই চীংমী তম্মী লাইনীং তোঙাল্লম্বসিনা তোখাই তাননবগী মরম ওইহল্লি। হায়রিবসিদা অচুম্বা খরসু য়াওদবদি নত্তে। মদুগী হায়রুরবদি কৈদৌনা মণিপুরদা হিন্দু অমদি খৃষ্টান লাইনীং পুশিনবীরক্লিনো হায়নীংই। হায়ফমদি থোক্ত্রে মরমদি হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী লূ তোংদা নপশিন্দুনা লৈখ্রে। মদুগীসু মথক্তা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না লাইনীং খুদিংমকপু চপ মান্নবা থাক্তা থম্বগা লোয়ননা ঐখোয় খুদিংমক্লা পামজবা লাইনীং লীচৎ চৎচবগী খুদোং চাবদু পীরে। মদুমক ওইদুনসু কনাগুম্বা খরদি মা মানা লাইমিং লৌরবা লাইনীং অদু নুংশিবা হেনমনবনরা খঙদে, করিগুম্বা মতমদা মদুগী মিংদা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা আইদেন্টিটি ঙাক্লবা হোৎনরিবনি হায়দুনা মখল মখলগী থবক থৌওং কয়া চত্থরকপসু য়াওই। মদুনা মীওই খুন্নাইদা শোক্লক্কদবা ওইরবদি পূক্লিং থৌগৎফম থোক্তে।

চহী খরগী মমাঙদগী ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা চত্থরকপা পিছ টোক লোইশিনবগী ফীভমদা লৈরে। তং তাবা ফীভমদা লৈরকপা হায়বসি মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্ল পাল্লমগনি, হরাও তয়াম্না ওক্লীংফম থোকই। অদুবু হরাওফম থোকপদা হরাউদবা, নুংঙাইবা ঙমদবগী মরম লৈ। মীৎনা উরু পারুবা নত্তবনা য়ানরিবা ৱারোলশিংদু করিনো হায়বা খঙদে, খঙহন্দবসিসু অঙকপা অমনি। ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম কায়হল্লোইদি হায়রি, মসিদা মীয়াম্নদি থাজদে। মরম লৈ, থাইনা নিংথৌশিংনা হায়দোকখিবা ৱাফম শোয়দনা পাঙথোকই। হৌজিক্তি চীনগী ৱাসে কয়া চৎনদ্রে, পঙহায়দা হায়জিন্নরে। মদুগীসু মথক্তা জুন ১৮ গী থৌদোক্তু ৱাখলনা শাগৎপা নোভেলদা য়াওবা থৌদোক নত্তে। মখল মথেনগী খোঙজংগা লোয়ননা লম্বী লমজাওদা থোরক্লিবসে ইমা মণিপুর কন্ননবনি। ফীভমসিদা লমদমসিগী অইবা অইবীশিং তুমিন্না লৈথোকপা ঙল্লক্ত্রে। মমাঙগী চয়োলদনি, নবেম্বর ১১ নিংথৌকাবা নুমিৎ, এম দি য়ু হোলদা পিছ টোক্কী মতাংদা অইবা অইবীশিংনা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা নৈন মীফম অমা পাঙথোকখি। পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীনবনি। মদুদা প্রোফেসর হুইরেম বেহারীনা অসুম্না থম্বীখি মদুদি এদমিনষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রেসন মাঙনখিবা শুংয়া য়ারোই, মসিনা মাঙদ্রিখৈ মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপুনবা শক্তম শুংকায় কায়রোই। ওজাগী ৱাফমসি কক্লীংঙাই য়াওদে হায়জনীংই। ওইনীংবা ওইজসনু, শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা মীয়ামদি চপ য়ুংনা লেপ্লি। মায় পাক্লনবনি, মায়থিননবা নত্তে। শেম্বীবা মপুগী থৌজালসু ফংগনি। ●

# ইস্যু খুদিং ইমাগী শক্লোন লৌবীরিবী নুপীশিংতনা কল্লকখিবনি

- এম থম্বৌ -

মালেমগী তম্পাক্তা লৈরিবা জিব খুদিং, নুপী-নুপানা শেম্বা জিব পূন্নমক লাবা অমসুং অমোম খাইদুনা থৱায় পানবা পূন্নমক অমগী মথংদা অমা মথং-মথং চাদা নাওদা তারক্তুনা জিব পানবা খুদিং থোরক্লিবনি। মালেম অসিদি জিব খুদিং য়াতাদুনা হিংনবনা জিব খুদিংগী মমানি হায়নরিবনি। মসি মতম চূপ্পগী ওইনা চুমদুনা লৈরবা পোৎশক অমনি। অসিগুম্না নুপীবু মালেম ইমাগী শকলোননি হায়নরিবা ঐখোয় খুদিংমক ইমাগী তম্পাক্তা লোইনা চাউরক্লিবনি। মীওই খুদিং মমাগী নিংথাদা য়োমখিবা ঙাক্তনি। মীওই খুদিং মমাগী শিয়োমনুংদা থা তরা নাওপুদুনা তাইবঙ ফাওরকখিবনি।

খুন্নাই অমগী মনুংদা লৈরিবা খুদিং ৱাখল পরিং অমফাওবা মান্নদে। ধর্ম্মদা পূক্লিং কয়া লুপশিনবা মপুগী শিন্থাবু য়াম্না লুম্না লৌবা, অৱা-নুংঙাই খুদিংমক মপু মাগী থৌজালনি খঞ্জবা, জিব খুদিংবু নুংশিবা ঙম্বা, অরানবা হৈনদবা মীওই কয়া লৈরিবনি। অদুগা মীগী মাঙবা মাঙদবা মশাগীদং ফরগা লোইরে খনবা হুরানবা অমসুং ফত্তবা পুকচেলতবু হৈনবী ওইবা মীওইসু লৈরিবনি। মতমগী মমল খঙদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লুপ্তুনা লৈবা মীসু খুন্নাই অসিদা মশীং ৱাৎতনা লৈ।

নাকল অমরোমদা, হিংননবগী লানফমদা ঙাইহাক্তা পোত্থাবা লৈতনা শূবা-নোম্বা মীগী মশীংসু ৱাৎপা নত্তে। মমা লৈবাক মরমদমগী খনবদা তূম্বা চাবা থিদনা ইমা লৈবাক ইরমদমগী য়াইফবা অমদি অৱাবদগী করম্না কনগনি খঞ্জবা মীওইসু লৈরিবনি। তুংগী য়ূম্বী ওইরগদবা নহা কয়াবু মশা-মউ ফবা তিঞ্জং কাইজংদবা অমমম ওইনবা মখোয়বু শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা নীংহন্নবা লৈতনা মতেং পাংবা মীসু লৈতবা নত্তে। অমরোমদা, মালেম অসিবু অৱাবা ঈপাক্তগী কন্ননবা খনবদা ৱাখল লুপ্তুনা লৈবা মীওই কয়াসু লৈরিবনি। পূন্নমক অসি মমা ওইবীগী পোত্থোক ঙাক্তনি।

নুপীদি নিপাগী হকচাং তঙ্খাই ওইরিবনি। মখোয়গী থৌদাং অমুক্কা হেন্না খুন্নাই অসিদা চাউনা মফম কল্লিবনি। অফবা হৈমরূদগী অফবা চারা থোরকপা মহৌশানি। মাইরেন মরূ থারগা থবি পাল্লকপা য়াবা নত্তে। তাইবঙ অসি শেম্বদা নুপীগী থৌদাংনা অথোইবনি। অদুবু নুপীগী মখল য়াম্না য়াম্মী। লৈকায় কোয়গনবী, মশাগী মথৌ কাউথোক্তুনা অমদসু অমদসু ৱারী শাগনবী, য়ূমদা মৱা মপুরোইববু মাগী মখাদা থমগদবগী হোৎনগনবী, লুরাক্লনা য়েংগনবী, মচা-মৱা ঙাঙবদা মী পক্কনবী, ইরুজদনা চাকখুম চংগনবী, অয়ূক্কী কোরৌ খুরুমগনি খন্দবী, মশা কোম্নবতা খনবী, মপুগী থৌগল নাচংদবী নুপী কয়াসু লৈ। মচা শেম্বদা চেকশিন্দবী, নুমিৎ চূপ্পগী ৱারেম-থৌরেম ঙাঙবী কয়ানা খুন্নাই অসিদা অমাঙবা পুরক্কনি। পূন্নমক্কী ওন্ন-তৈনবদা মপুরোইবগী থৌগলদা তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌগলনি খনবী, মপুগী মতিক ময়াই লৈবী, লাইনীং-লাইশোন কাউজদবী, মরূ লুকপী, মচা য়োকপদা চেকশিনবী, লৈকায় কোয়দুনা ৱারেম ঙাঙদবী, ঈংনা-তপ্পা মচং ওইবা খরতমক ঙাঙবী, য়েংবদা মীনা হঙ্গোইনা উবী, চাবদা মখাক থম্বগী হৈনবী লৈবী অসিগুম্বা নুপী কাঙলূপ অমসু লৈরিবনি।

অসিগুম্বা নুপী কাঙলূপ অসিনা খুন্নাই অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। খুন্নাই অসিদা লৈরিবা নহারোল কয়াগী খূৎতা ঙসিগী লমদম অসি অফ-ফত্ত লৈরিবনি। ঙসিগী নহা কয়াদি ঙসিগী মমা ওইবী, ওইরক্কদবা কয়ানা শেমগদবনি। খুন্নাই অসিদা চাওখৎপা ঈংনা-তপ্না অমগা অমগা নুংশিনবা পুরকপদা অসিগুম্বা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাউই। নুপীনা খুন্নাই অসিগী মিংশেলনি। মমা কয়াগী অফ-ফত্ত অমদি খূৎশাগী মমি মচাশিংদা তাগদবনি। নুপীগী লিচৎ-শাজৎ, চৎন-কাঙলোন কয়ানা মৱা মপুরোইবা অমদি মচাশিংগী য়াইফবা পীবিদুনা খুন্নাই অসিদা মশক থোকপা মীওই ওইনা উহনগদবনি। মরম অসিনা নুপীবু ঐখোয়না ইরায় লায়না লৌবা অরানবা ওইগনি।

ঐখোয় পূন্নমক্লা নুপীবু অৱাংবা থাক্কী মফম অমা পীফম থোকই। নুপীনা নুপাগা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদাদুনা পুন্সি খোঙচৎ চৎমিন্নবদা অমনা অমবু ইকায়খুম্নমা চৎমিন্নবা চুমগনি। অরোনবা থম্নরোইদবনি। অশোয়-অরান ঙাকথোক-ঙাকশিন তৌনগদবনি। মখোয়বু ঐখোয়না কূপ্না শেন্নবীদুনা মখোয়গী শম্বল নিংথিনা খাবীগদবনি। মদুতদা নুপীবু থোৎপদা লৈরাং লৈনাদগী হেনবা, কনবদা নূংদগী হেনবী, অখাং কনবী লৈরাং লৈবাকলৈগুম চাংদম্নবা য়ারিবনি।

নুপীবু অফবা পাউতাক কয়া পীবিদুনা ধর্ম্মগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক্কী থবক্তা, লাই-তীলগী থবক্তা পূক্লিং লুপ্পী ওইনবা হোৎনবীবা মথৌ তারকই। মসিদা নুপাগী মতেং য়াম্না চংই। নুপীবু হন্থনা য়েংবীবা, মখোয়বু তুহৎপীবা, মখোয়গী অচেংবা তাঞ্জা উবদা খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়বু নমজা-নমথেক্লবীবা তৌরোইদবনি। মসি খুদিংমক ঐখোয়না ৱাখল তামিন্নগদবনি। নুপীবু মতম চূপ্পগী ওইনা ইকায়খুম্নবীদুনা মখোয়গী ফিদম্বু কাউবীরোইদবনি।

ঙসিগী মণিপুর খুন্নাইগী নুপীশিংনা অহল-লমন কয়ানা থম্বীরম্বা লিক্লম, চৎন-কাঙলোন কয়া ঙাকপা মখোয়গী খুদুং ইন্নবা হোৎনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। মণিপুরী নুপীগী থৌনা, মখোয়গী অখাং কনবা পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈরিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৪৩২দগী ১৪৬৭ ফাওবা অসিদা নিংথৌখোম্বগী মহারানি লিন্থোইঙম্বীনা মপুরোইবনা অক্লাগী লান চৎখ্রবদা মহাক মশামক্লা নিংথৌগী ফিজোল শেৎচিন্দুনা মখূৎতা খূৎশু থাঙলেন পায়খৎতুনা য়েক্লবদগী নিংথৌ ফম্বাল কলহৌখি। কুমজা ১৯০৪দা মতমদুগী সাহেবশিংগী য়ূম মৈনা চাকখি। মদুদা য়ূম মৈ থাবা মীদু থিবা খঙদ্রবদা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা নুপা খুদিং ৱা, ই, পায়া ময়াম পুথোক্তুনা সাহেবশিংগী অনৌবা য়ূম শানবা য়াথং অমা থোক্তুনা ময়াম থোক্তুনা য়ূমদু শানবা তৌবদা নুপী ময়াম হৌনরুবা তৌদনা য়ূম শাফমদা লৈরম্বা নুপা ময়াম করিগী নমদুনা শীজিন্নবা য়ারিবনো হায়না উ, ৱা, পায়া, ই পূন্নমক খোমদুনা নম্বুল তুরেলদা লংথখিরম্মী। নুপা ময়াম কায়দুনা চেন্নখিরম্মী। মসিবু অহানবা নুপীলান হায়না খঙনরিবনি। কুমজা ১৯৩৯দা সাহেবশিংনা মণিপুরগী ফৌ পূন্নমক খোমদুনা মপান্দা পূন্না থাদোকপগী থৌওং অমা চত্থরকখি।

কৈথেলদা চেঙগী মমলদি লায়রদনা শুপ্পগী চেঙ মেরুক অমফাওবা ৱানবা ফংলক্ত্রবদা মতম অদুগী ইমা ইবেল কয়ানা হৌদুনা চেঙ থাবা থিংবগা লোয়ননা টেলিগ্রাফ ওফিসতা ওফিসর কয়া হোইজিন্দুনা থমখি। মদুদা মীনুংশি খঙদ্রবা সী আর পি এফকী সিফাইগী সঙ্গিন্না থিনবদগী ইমা ইবেলগী থোৎলবা হকচাংদগী অঙাংবা ঈখেংতনা পুমচাই চাইখি। মতম অদুদা ইমা ইবেলশিংনা থৌনা হনবা তৌদনা বৃটিশ ওফিসর কয়া মকোক ঙাওহনখি অমসুং চেঙ থাবা থিংখি। অদুগুম্বা থৌনা লিংজেল কয়া ঙসিগী মীরোলগী নুপীশিংনা কাউদনা নীংশিংফম থোকই।

মতম অদুগী চাদা নাওদা ঙাক্তনি ঙসিগী ইমা ইবেলশিং। অতোপ্পদগী নৌনা লাকপা নত্তে। ঙসিগী নুপী কয়ানা মরম চাবা চাদবা থিদনা মখূৎতা আইন পায়বগুম ঈহৌ ঈরাং কয়া চত্থদুনা মোব জষ্টিশ কয়া চত্থবা, মচা মৱা হুন্দোক্তুনা পংচৎ চৎপী, ঈথক-ঈরাংদা য়াতাবী, মোবাইলগী রিংতোন্দা ঙাওবী, ফিজেৎ ফিগাইনা নুপা ওইবশিংদা ঈরাংগী লাং থাক্কনবী, মচাবু মরম চাদনা নুংশিবা উৎপী, মচাগী অশোইবা কয়া য়োমদুনা থম্বী, হৌখিবা অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা থকসি-খাসি য়াওদবী, মতমসিগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা য়াওল-য়াতাবী ওইরবদি লৈবাক অসিগী তুংগী আশা করি ওইগনি। মালেমগী ফাওর-ফাওরবা মীওই কয়া মমানা থা তরা নাওপুদুনা মপানগী তাইবঙদা পুথোরকখিবনি। মপানগী তাইবঙদা পুথোরক্লবা মতুংদা ঈ মতুমদগী চাউনবা য়োকপদা থেংনবা অৱাবা কয়া থৌনা লৈনা মায়োক্লদুনা মালেমগী অচৌবা থৌদাং কয়া মায়োক্লবা ঙম্নবা থৌনা কয়া মমানা হাপ্পীরিবনি। অদুনা মচা শেম্বনা নুপীগী অমত্তা ঙাইরবা থৌদাংনি। মচা শেম্বনা নশোন ওইদুনা মপান লমগী ফিজেৎ চাকচাদা ঙাওবগী ৱাখল কৈদৌঙৈদা খল্লোইদবনি। মরম অসিনা ঙসি মণিপুরগী মাঙদা তারিবা ইস্যু খুদিং ইমা ইবেলগী থৌনাতনা কনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মল্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

